# ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্স গেমস ওর্গনাইজরশিংনা থেংথনা হৌবগী মতাংদা প্লান তুমিন্না শেম্লি : সোর্ছ



টোকিও, মার্চ ২২(এজেন্সী):

জপান লৈঙাক্না চহীসিগী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা টোকিওনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি হৌখিবা চহী লোইরমদাইদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী শন্দোরকপা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা মালেমদা মীওই ৩,২০,০০০ রোম নাহল্লবা মতুং মীওই ১৩,৬৭৬ শীহনখ্রবনি। লোয়ননা জপানদসু মীওই ১০৫৪ নাহবদা মীওই ৩৬ শীহনখ্রবনি। ফিভম অসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী লুপশিংনা জলাইগী ওলিম্পিক গেমস অসি য়ৈথোকপা নত্রগা তোকপগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরকখ্রবসু জপান লৈঙাক্কু দি য়ৈথোকপগী ৱারেপ লৌদ্রি। অদুবু মরক অসিদা ওর্গনাইজরশিংনা ওলিম্পিক্স অসি থেংথনা পাঙথোকপগী প্লান তুমিন্না শেমগৎপা হৌরে হায়না সোর্ছশিংদগী ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা জপান লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোইনা টোকিওনা ওলিম্পিক গেমস অসি য়ৈথোকপগী শেম শাবা লৈতে হায়খি। জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা খ্বাইদগী শাংনা থবক তৌবা লুচিংবা অমা ওইবগা লোয়ননা হন্দক্কী ওলিম্পিক গেম অসিনা লৈবাক অসিগী টুরিজম অমসুং কঞ্জ্যুমর্স স্পেন্দিংদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকপগী থল্লম্বা থাজবা অদু কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯)না মরম ওইদুনা অহোংবা কয়া লাক্কদৌরি।

দোমেষ্টিক স্পোন্সর্সিপ্তা ওলিম্পিক্সকী অনৌবা রেকোর্দ ওইনা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৩ হৌজিক মাংবা য়াবগী ফিভমদা লৈরি। জপাননা টোকিও ওলিম্পিক্স অসি মায় পাক্না পাঙথোক্লবগীদমক্তা শেম শাবা ওইনা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ১২ চাদিং তৌখ্রবনি।

ওলিম্পিক গেমস অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিতিগা য়াম্না নক্লবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপা পাউগী লিখুন অসিনা মখোয়দা হৌজিক গেমস অসি য়ৈথোক্লগা অনৌবা মতমগী দ্রাফ তৌননবা খঙহল্লকখ্রবনি হায়রি।

ওফিসলশিং অদুনা মশক মমিং তাকথোক্তনা ফোঙদোরকখিবদা প্লান বি, সী অমসুং দি হায়না য়াৎথোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা টাইম ফ্রেমশিং থল্লগা গেমস অসি য়ৈথোকপগী প্লান শেম্বা হৌরকপনি। হিরম অসিগী মতাংদা অতোপ্পা সোর্ছ অমনসু ফোঙদোরকখিবদা ওলিম্পিক গেমস অসি য়ৈথোক্লবগী খন্ন-নৈনবা হৌখ্রে। য়ামদ্রবদা চহী ২ নত্রগা ৩ রোমদি য়ৈথোকপা য়াই হায়না ২শুবা সোর্ছ অসিনা ফোঙদোরক্লি। য়ামদ্রবদা থা অমা নত্রগা নুমিৎ ৪৫নি রোম য়ৈথোকপা য়াবগী দ্রাফসু শেম্লি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, গেমস অসি য়ৈথোকপগী অরোইবা ৱারেপ অদুদি ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী মায়কৈদগী লাক্কদবনি। অদুবু জপান লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মখোয়না লৌখিবা ফিরেপ অদুসু খন্নদবা য়াদে হায়খি।

ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী মকোক ওইরিবা থোমাস বেগনা ফোঙদোকখিবদা হান্না শেমখিবা প্লানগী মতুং ইন্না গেমস অসি পাঙথোকপগী লম্বেলদা চঙশিল্লি। অদুবু জপান ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী মায়কৈদগী পাউ লীক ওইরকখিবা অসি ঙসি জপানদা ফোঙবা পাউচে নিকৈদা ঙসি রিপোর্ট অসি য়াওখিবনি।

কুমজা ২০২১ অমসুং ২০২২ অসি ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ অমসুং বৈজিং ৱিন্টর ওলিম্পিক্স লৈবনা মতম য়াম্না চিনগদৌরি। ওলিম্পিক গেমস অসিগী মরু ওইবা স্পোন্সর ওইরিবা টোয়োতা মোটোর কোর্প অমসুং পেনেসোনিক কোর্পোরেসন য়াওনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা অসিনা পীরিবা চৈথেংনা গেমস অসি য়ৈথোকপা য়াবগী মমি তারকপনা অপুনবা স্পোন্সর ৬০ য়াওনা মীফম ফমদুনা ওইবা য়াবা পায়খৎকদবা থবকশিং অদুগী মতাংদা খন্নখি।

জপানগী ফাইনান্স মিনিষ্টর তারো আসোননা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি কুমজা ১৯৪০ ওলিম্পিক্স ৱর্ল্ড ৱার ২না মরম ওইরগা কেন্সেল তৌখিবা অদুগুম্না চহী ৪০ খুদিংগী মতুংদা স্রাপ চেল্লবা ওলিম্পিক্স অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি। পনবা য়াই, কুমজা ১৯৮০ মোস্কো ওলিম্পিক্স অদুসু মালেমগী লৈবাক তঙ্খাই অমনা বোইকোট তৌখিবনি।

# ঐনা খল্লিবদি টোকিও ওলিম্পিক্স গেমস য়ৈথোক্তবনি : মিরাবাই



মুম্বাই, মার্চ ২২(এজেন্সী):

ৱর্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়ন অমসুং কমনৱেলথ গোল্ড মেদলিষ্ট সাইখোম মিরাবাই চনুনা নীংলিবদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি য়ৈথোক্তবনি।

কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৯১ নাহল্লবা মতুং মীওই ৭ শীহনখ্রবনি। লায়না লাইচৎ মসিনা মরম ওইরগা মালেমগী লৈবাক ১৮৮দসু চৈথেং পীরি। তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা ওলিম্পিক গেমস অসিগীদমক পাঙথোক্কদবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোকপা অমসুং তোকপা য়াওখ্রবনি।

ৱেথলিফটিংগীসু ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট তোকহনখিবনা মরম ওইদুনা সাইখোম মিনরাবাই চনুনা হৌজিক ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৩শুবা পোজিসনদা লৈবা মরম্না টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক অনৌবা গাইদ লাইনগী মতুং ইন্না মহাক ক্বালিফাই ওইখিবনি। মহাক্তসু নত্তনা নুপাগী কাংলুপ্তা য়ুথ ওলিম্পিক চেম্পিয়ন জেরিমিসু এসিয়াগী নম্বর ১ রেঙ্ক ওইবা মরম্না ক্বালিফাই ওইখি।

সাইখোম মিরাবাই চনুনা পাখৎলিবদি মহাক্না হৌখিবা চহী ৪ অসিদা হোৎনরকখিবশিং অদু জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়ৈথোকপা নত্রগা তোকখ্রবদি। মহাক্না মশাগী করিয়রদা ওলিম্পিক মেদল অমা লৌবগী অচৌবা আশা অমা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা থল্লিবা অসি অরেম্বা তারগনি হায়বা ৱাফম অসিনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৬গী ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা রিও ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা ওলিম্পিক্স শরুক য়ারুবদা সাইখোম মিরাবাই চনুনা ক্লিন এন্দ জর্ক কাংলুপ্তা এটেম্প অহুম্লক মায় পাকখিদবদগী আশা কায়খিবনি। টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি য়ৈথোকপা তারবসু অতেনবা মতমগী ওইরেইদৌরি। মরম অদুনা ৱেথলিফটিং মশান্না অসিগী ওইনদি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদুদগী পর্ফোমেন্স অদু মতম খরা লেপথোক্লবদা অকায়বা তাঞ্জা কয়া লাকপা য়াই।

ওলিম্পিক্সকী মাংওইননা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপকীদমক্তসু মিরাবাইনা য়াম্না কন্না শেম শাদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা চহীদা মহাক ব্রোঞ্জ মেদল ফংগদৌবা খজিকখক্তবক ৱাৎহৌবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী কজাকস্থানদা তৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু উজবেকিস্তানদা ওইনা য়ৈথোকখি।

হৌখিবা চয়োলদা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ওলিম্পিক্সকীদমক শেম শারিবা শান্নরোয়শিং খক্তা নত্তনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নেসনল কোচিং কেম্পতা লৈরিবা পুম্নমক থিংনবা লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি।

হৌজিক হৌজিক সাইখোম মিরাবাই চনু পাটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা মরু ওইবা কোর গ্রুপ খরগা লোয়ননা ট্রেনিং চথুরি। সেন্টরদগী থোকপগী খুদোংচাবা তেনশিনখ্রে। ইন্দিয়াদা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসিনা শান্নরোয় পুম্বদসু মীপায়বা পোকহল্লে হায়খি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগ জুন থাদা পাঙথোক্লবা পানরি



লন্দন, মার্চ ২২(এজেন্সী):

মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ জুন থাদা অমুক মখা চথনবা শেম শারি।

লন্দনদা ফোঙবা নুংতিগী পাউচে ‘সন্দে টেলিগ্রাফ’কী ঙসিগী রিপোর্ট অমদা পুম্নমক্না য়ানগদবা প্লান অমা শেমগৎতুনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা থা অসিগী ১৩দগী ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট পুম্নমক প্রেমিয়র লীগ য়াওনা এপ্রিল ৪ ফাওবা লেপহনখ্রবা মতুং এপ্রিল ৩০ ফাওবা অমুক শাংদোকহনখিবনি।

ফুটবোল ক্লবশিংনা শান্নরোয়শিং অদুগী তোলোপ মখা তানা মেচশিং শান্নদ্রবসু পীগদবা মরম্না ক্লবশিংদা য়াম্না চাওনা অমাংবা লাক্লি। য়ুরোপিয়ন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ চহী অমা য়ৈথোকখ্রবনি। পব্লিক হেল্থ অসি অথুবদা ফগৎলক্লবদি জুন থাদা অমুক শান্নবা য়াগদৌবিরনি।

# কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা মীওইশিংদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ফ্রেটর্নিটিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২২(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ফ্রেটর্নিটিনা ঙসি লৈবাক শীনবা থুংনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ শন্দোরকপা থিংনবা অমসুং নারবশিংবু কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ইসেন্সিএল সার্ভিস প্রোভাইদরশিংবু ইকায় খুম্নবা ওইনা মখোয়গীদমক খুবাক খুবা অমদি সোসল মিদিয়াদা টেক্স মেসেজ অমসুং ভিদিও মেসেজ থাদুনা শরুক য়াখ্রে।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মার্চ ২২ লৈবাক শীনবা থুংনা অয়ুক্কী পুং ৭তগী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবা ‘জন্তা কর্ফিয়ু’ (পব্লিক কর্ফিয়ু) পাঙথোক্লবা অপিল তৌখিবনি। লোয়ননা নুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা য়ুম য়ুমগী মাঙোন অমসুং বেলকোনিদা থোক্তুনা খুবাক খুদুনা থাগৎপা ফোঙদোকপগী থৌরম ইশা ইশানা পাঙথোকপীনবা হায়খিবনি।



বেঙ্গলুরুগী ট্রেনিং সেন্টরদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা টিমগী জর্সি লিৎতুনা বিল্ডিং অদুগী তোঙান-তোঙানবা ফ্লোরগী বেলকোনিদা থোরক্তুনা খুবাক খুখিবগী ভিদিও মেসেজ অদু টিম কোচ সিওর্দ মারিনেনা সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকখি।

হান্না ইন্দিয়াগী ক্রিকেটর ওইরম্বা বিরেন্দ্র সেৱাকনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদা ইসেন্সিএল সার্ভিস প্রোভাইদরশিং অদু ইকায় খুম্নবা উৎতুনা লায়না লাইচৎ অসি অথুবা মতমদা লোইশিনখিবা ওইরসনু হায়না তাইবঙ মপুদা থৌনি।

রেষ্টলিংগী ব্রজংপুনিয়া, ৱেথলিফটর মিরাবাই, এথলেট মিহদাস, রেষ্টলর ভিনেস ফোগৎ, শুট্টর হিনাস সিধু অমদি ইন্দিয়াগী হান্নগী ক্রিকেট কেপ্টেন অনিসল কুম্লেসু থাগৎপা ফোঙদোকপা য়াওখি।

# সী এস এলদা ফেলাইনিনা কোবিদ-১৯গী অহানবা কেস ওইরি



বৈজিং, মার্চ ২২(এজেন্সী):

চাইনিজ সুপর লীগ (সী এস এল)গী ওইনা শন্দোং লুনেংগী শান্নরোয় বেলজিয়ম মচা মরাওনে ফেলাইনিনা অহানবা কোরোনভাইরস পোজিটিব ওইবা শান্নরোয় ওইরে।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা ফেলাইনিনা হন্দক্তা চাইনাদা হল্লকখিবনি। মশাগী টেম্পরেচর নোর্মেল ওইরি অমসুং থোইদোক্না নুংঙাইতবা ফাওবা লৈত্রি। অদুবু অখন্নবা মেদিকেল ফেসিলিটি অমদা লায়েংবা অমসুং রিকোভরি তৌনবা ক্লব অসিনা কন্না হোৎনরি হায়রি। চাইনিজ ওফিলসশিংনা লৈবাক অদুদা ভাইরেল ইনফেক্সন অদু মীরমদগী পুশিল্লপা মওং অসিনা অনীশুবা ৱেব ওইরি হায়রি।

# জুবেন্টসকী ষ্ট্রাইকর পাওলো দিবালা অমসুং ইটালিগী লিজেন্দ পাওলো মালদিনি কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরে

রোম, মার্চ ২২(এজেন্সী):

ইটালিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব জুবেন্টসতা শরুক য়ারিবা আজেন্টিনা মচা ষ্ট্রাইকর পাওলো দিবালা অমদি মমাঙদা ইলিগী ক্লবক এ সী মিলানগী দিফেন্দর ওইরম্বা লেজেন্দ পাওলো মালদিনি টেষ্ট তৌবদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) পোজিটিব ওইখ্রে।

মশাগী চহী ২৬শুরবা দিবালানা ফোঙদোরকখিবদা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা টেষ্ট অদুদা মহাক অমদি মহাক্কী লোয়নবী ওরিয়ানা সবাতিনি কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) পোজিটিব ওইরে হায়না মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদগী ফোঙদোরকখি। মহাক অমসুং মহাক্কী লোয়নবী য়ুমশাকৈশা নুমিৎতগী সেল্ফ আইসোলেসন তৌদুনা লাকখি।





নাকল অমরোমদা এ সী মিলানগী টেক্নিকেল দিরেক্টর ওইরবা হান্নগী শান্নরোয় পাওলো মালদিনি অমদি চহী ১৮ শুরবা মচানুপা দেনিয়ল টেষ্ট তৌবদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) পোজিটিব ওইরকখিবনি।

এ সী মিলানগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা পাওলো অমসুং দেনিয়ল অনীমক হৌজিক হকচাং ফনা লৈরি। লোয়ননা চয়োল অনী ক্বারেন্টাই লোইশিল্লক্লে হায়রি। হেল্থ ওথোরিটিশিংনা পীবা মেদিকেল প্রোটোকোলগী মতুং ইন্না মখোয়গী ক্বারেন্টাইন অদু সাইন সিমটম লৈরি ফাওবা চথখিগনি হায়রি।



HL-B/6098/4march to 7april



HL-B/6002/15/2-18/4

HOUSING LOAN AVAILABLE
(Upto Rs 50 LKHS 12% P/a)

মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা য়ুম তশেংনা শানীংবা অমসুং ইনকম মতিক চানা লাকপা মীওইশিংগী ওইনা হাওজিং লোন পীজরি। Home Repairing, Renovation, Modular Kitchen, Grazings অমসুং Floor Repairing নচিংবগী লোনগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Tiles, Granites, Marbles, Sand অমসুং Cements কী Free Home Delivery Service সু ফংবীগনি।

Mobile Nos. # 8787727402 # 8787530036

Please Contact:- L.G. Construction & Materials Company Pvt. Ltd.
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West

HL/B/6099/4march to 7 May

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com